# করিগুম্বা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রবদি লৌমীশিংগী লোনগী শেনফম লুপা লাক্ষ ৩/৩ কোকপীগনি : রাহুল গান্ধী

অহমদাবাদ, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী লৌমী মীয়ামগীদমক মতম পুম্বদা কোংগ্রেসনা লেপ্তুনা লাক্লি অমদি মখা তানসু লৌমীশিংগীদমক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌখিগনি হায়না কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা কোংগ্রেসনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী তোল্লিবা লোনগী শেনফমদগী লুপা লাক্ষ ৩/৩ কোপীগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।



অহমদবাদগী সবরমতিদা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা পব্লিক রেল্লি অমদা কোংগ্রেসকী হান্নগী লুচিংবা অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মরুওইনা গুজরাটকী মীয়াম্না চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসতা পৱার শিন্নরবদি লৌমীশিংগী লোনগী শেনফম কোকপীবখক্তা নত্তনা হৌজিক হৌজিক এল পি জি সিলিন্দর অমদা লুপা ১০০০ পীরিবা অসি লুপা ৫০০ দা ফংহনগনি অমদি লৌমীশিংদা মৈ লেম্না ফংহনগনি অদুগা জেনরেল কঞ্জুমরশিংগী ওইনা মৈ য়ুনিট ৩০০ লেম্না ফংহনগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কোংগ্রেসনা গুজরাটতা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি ষ্টেট অসিগী ওইনা অনৌবা গভর্নমেন্টকী পোষ্ট লাক্ষ ১০ ক্রিয়েট তৌগনি, ইংলিস মিদিয়ম স্কুল ৩০০০ লিংখৎকনি অমদি নুপীমচাশিংগী ওইনা ফ্রি এদ্যুকেসন লৈহনগনি লোয়ননা শঙ্গোম লিটর অমদা লুপা ৫ দা ফংহনগনি হায়না থাজবা পীখি। গুজরাটতা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলে হায়দুনা লাউরি। অদুবু লৈরিবা লৈঙাক অসি কাঙলূপকী খেন্নবা থম্বা মীওইশিংনা শেম্বা লৈঙাক্নি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক হৌজিক লৈরিবা গুজরাট লৈঙাক্না চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদ্রি।

অমরোমদা গুজরাটতা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা সর্দার ভল্লভাই পটেলগী মীতম অমা শারে হায়না লাউরি। অদুবু সর্দার ভল্লভাই পটেলনা লৈবাক অসিগী মীয়াম মরুওইনা লৌমীশিংগীদমক লৌরম্বা থৌদাং অদুদি বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা কাউথোকখ্রে। সর্দার ভল্লভাই পটেলনা লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক হোৎনরমখিবা কয়া অদুগী মায়োক্তা সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৌমী মীয়ামগী রাইট মাঙহন্নবা ফার্ম লো অহুম হৌদোরকপদগী অচৌবা ৱাথোক থোক্তুনা লাক্লি। ফার্ম লো অসিগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী লৌমী লাক্ষ কয়ানা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। খোঙজং মরক্তা লৌমী কয়া শিখ্রে। খরা অমনা লৈঙাক্কী থৌওং অসিদা পেন্দ্রদুনা মশা মতোমতা মৈ থাদুনা শিজবা ফাওবা য়াওখ্রে। অদুবু লৈরিবা লৈঙাক অসিনা হায়রিবা থৌদোকশিং অসি ঙসি ফাওবদা খঙশিন্নদনা লৈরি হায়রি।

# নিটিস কুমারনা লালু প্রসাদ য়াদবকা উন্নখ্রে, রাহুল গান্ধীগসু উনরবা য়ানা লৈরি

পটনা, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা রাষ্ট্রিয়া জনতা দলগী লুচিংবা লালু প্রসাদ য়াদবকা ঙসি পটনাদা লৈবা য়াদবকী ময়ুমদা উন্নখ্রে অমদি কোংগ্রেসকী হান্নগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীগসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম উনগনি হায়রি।



বিহারগী চীফ মিনিষ্টর অমদি লালু প্রসাদ য়াদব উন্নখিবা অদুদা ষ্টেট অসিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর তেজস্বি য়াদব অমসুং বিহারগী হান্নগী সী এম রাব্রি দেবিসু শরুক য়াখি। উনবগী থৌরম অদু লোয়রবা মতুং বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টকা হয়েং দিল্লিদা উনগনি। মহাক ঙসি দেল্লি থাদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগসু উনগনি। লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল অসি য়াম্না মরুওই অমদি অরুবা ফিভম অমদা লৈরি। মরম অদুনা ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা উন্নদুনা মখা তানা ৱারী শাননবা হোৎনগনি হায়রি।

ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌরবদি লাক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখলদা বি জে পিনা সীট ৫০ দগী হেন্না ফংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তারি। বি জে পিনা য়াল্লবা শেনফমশিং লৈবাক অসিগী মীয়ামদগী অরানবা মওংদা খোমগৎলবা মতুং ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিগী মেম্বরশিং লৈবদা শিজিন্নরি। কম্যুনেল ওইবা অমদি করপসননা থল্লবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি হন্দক্কী মীখল অসিদা মায়থিবা পীহৌদ্রবদি লৈবাক অসিগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লাক্কগনি হায়রি।

# দেল্লিদা লৈবা আর এস এসকী ওফিস সী আই এস এফনা ঙাকপা হৌখ্রে

নু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা লৈরিবা রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) কী ওফিস ঙাক শেন্নবগীদমক সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা সী আই এস এফকী টিম অমা থারকখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী ওর্দর অমনা সী আই এস এফকী টিম অমনা থা অসিগী ১ দগী হৌরগা ঙাকপা হৌখিবনি। করি মরমগীদমক সেন্ত্রেল ফোর্স অসি আর এস এসকী ওফিস বিল্ডিং ঙাকপদা শিজিন্নরিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু নৌনা দিপ্লোই তৌরক্লিবা সী আই এস এফকী পর্সনেলশিং অসিনা ওফিস চংথোক চঙশিন তৌবগী থবকশিং মপুঙ ফানা কন্ত্রোল তৌগনি হায়রি।

নাগপুর য়ুনিটকী ওইনসু চহী খরগী মমাংদগী আর এস এসকী ওফিসশিং সেন্ত্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা ঙাক শেনবা হৌখ্রে হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

# আর্মিগী গাড়িনা থোম্বদগী ক্লাস ত্বেল্বকী মহৈরোয় অমা শিরে

অম্বালা, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
হরয়ানাগী মনুং চনবা অম্বালাগী এয়র ফোর্স রোদতা গাড়ি মচা তোংদুনা লাকখিবা মহৈরোয় অমা আর্মিগী গাড়িনা থোম্বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না অম্বালাদা লৈবা কেন্দ্রিয়া ভিদ্যলয়াদা ক্লাস ত্বেল্ব তম্বা মহৈরোয় অনী গাড়ি মচা তোংদুনা স্কুল তম্না লাকখিবনি। অদুবু খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখিবা আর্মিগী গাড়ি অমনা মখোয়না থৌরকখিবা গাড়ি মচা অদুদা থোমজিল্লকখি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মহৈরোয় অনী খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুবু মহৈরোয় উদয়দি শিরে হায়না লাউথোরকখিবনি হায়রি।

# গুজরাট ময়ায় কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবা মীওই কয়াগী লৈফম ওইরে : কোংগ্রেস

অহমদবাদ, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা ষ্টেট অসিদগী ময়ায় কাবা চীঞ্জাক কয়া পুলিসনা ফাগৎপা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক ফারবা দ্রগশিং অদুগী মপু অমত্তা ঙসি ফাওবা চৈরাক পীদবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসি দ্রগ লল্লোনবা কয়াগী লৈফম ওইরক্লে হায়না কোংগ্রেস পার্টিনা মরাল শিখিবগা লোয়ননা ইলেক্সনগীদমক দ্রগপু খুৎলায় ওইনা শিজিন্নরকপা অসি লাইবক থিবনি হায়রি।

কোংগ্রেস পার্টিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, গুজরাটকী মুদ্রা হিথাংফমদগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা দ্রগ পুথোক পুশিনগী থবক তৌরি। হায়রিবা অসি গুজরাট গভর্নমেন্টনা খঙনা খঙনা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিনা তাকপদি দ্রগ লল্লোনবগী থবক তৌবদা লৈঙাক্না অথিংবা থমদে হায়বনি নৎত্রগা লল্লোনবগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অদু বি জে পিগী থৌমী নৎত্রগা বি জে পিগা নক্কনা চৎমিন্নবশিং ওইগনি হায়রি।

# বি জে পিনা হোৎনরিবশিং মায় পাকপা ঙম্লোই : এম পি রাঘব

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না দেল্লিদা লৈঙাক পাইরিবা এ এ পিবু ইন্থুনবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা দেল্লিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী য়ুমদা সী বি আই থাজিন্দুনা রেইদ চথুহনবা অমদি অকি অখঙ পোকহনবনা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না এ এ পিগী লুচিংবসু ওইরিবা এম পি রাঘভ চাদানা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা রাঘভনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এন দি এ লৈঙাক্না এ এ পি লুচিংবা ১০০ হেনবগী মথক্তা অরানবা চার্জশিং তৌরি। দেল্লিদা লৈরিবা এ এ পিগী লৈঙাক ইন্থুবা ঙম্লরোই খনবদগী পার্টি অসিগী লুচিংবশিংবু য়ুমফম য়াওদবা অরানবা চার্জ কয়া তৌশিন্দুনা ফানবা হোৎনরি হায়রি।

অমরোমদা আম অদমি পার্টিনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা আরবিন্দ কেজ্রিৱালগী আম আদমি পার্টিনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়াবু মীয়াম্না পাক্করকখিবগা লোয়ননা দেল্লিদা হৌদোকখিবা পার্টি অসি লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু শন্দোরক্লি। আম আদমি পার্টি নামপাঙ্গল কনখৎলকপা অসিদা মীপাইবা পোক্লদুনা পার্টি অসিবু মিংচৎ থীহন্নবগীদমক সেন্ত্রেল এজেন্সিশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরকপনি হায়রি।

# উধব থাক্রেদা পারা তম্বীবা মথৌ তাই : য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
সিব সেনাগী উধব থাক্রেনা বি জে পিদা চাওনা নমথাক তৌরল্লে, মরম অদুনা মহাকপু পারা অমা তম্বীবা মথৌ তারে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পোলিটিক্সতা খুদিংমক বি জে পিনা য়েংদুনা লৈবদি ঙম্মী অদুবু নমথাক তৌবদি খাঙদুনা লৈবা ঙম্লোই হায়রি।



মুম্বাইদা ঙসি পাঙথোকখিবা বি জে পিগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না অমিত শাহনা ফোঙদোকখিবদা, মহারাষ্ট্রগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেগী অশোয়বনা মরম ওইরগা সিব সেনা পার্টি মনুংদা মচেৎ তাখিবনি। মশাগী খুদোংচাবা খরগী য়েংদুনা থবক তৌরুবদগী ঙসি মহাক মায়থিবা নংলিবনি। অদুবু থাক্রেনা বি জে পিদা নমথাক তৌরম্বা অদুদি ঙাকপীবা ঙম্লোইদবা অমনি। মরম অদুনা মহাকপু পারা তম্বীবা মথৌ তাই। থাক্রেনা কা হেন্না কল্লক চাওরুবদগী পার্টি মনুংদা মচেৎ তারক্তুনা একনাথ শিন্দেনা মায়থিবা পীদুনা মহারাষ্ট্রগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইরে। অদুবু থাক্রেনা পার্টি অসিগী মেম্বরশিংদা মীনম্বদগী হেন্দোক্তুনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদসু মীনল্লি হায়রি।

বিরহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ইলেক্সনদা অরানবা তৌরুবা উধব থাক্রেনা লুচিংবা সিব সেনা চাওনা মায়থিবা নংলগনি অদুগা বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা অশেংবা সিব সেনাগী টিমনা য়ামদ্রবদা সীট ১৫০ দা মায় পাক্লগনি। মহারাষ্ট্রগী মীয়াম্নসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি থাগৎনরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদি উধব থাক্রেগুম্না মশাগী পার্টিদা মীনম্বা মীওই নত্তে। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা বি জে পিনা তপ্না তপ্না মায় পাকল্লিবা অসিনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

# কোভিদকী অনৌবা কেস ৫,৯১০ থেংনখি ১৬ শিহনখি



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৫,৯১০ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৬ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৫,৯১০ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৪,৬২,৪৪৫ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৫৩,৯৭৪ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ১৬ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,০০৭ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৬৯ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১২ ওইরি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি। মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ২১৩.৫২ কাপখ্রে। মখা তানা কাপথোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

# বি জে পিগী লৈঙাক্না কা হেন্না প্রেসর পীবদগী খাঙবা ঙমদদুনা সী বি আই ওফিসর অমা শিজখ্রে




ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
সেন্টরদা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা নন বি জে পি ওইবা ষ্টেটশিংদা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুবগা লোয়ননা অরানবা চার্জশিং মহাক্কী মথক্তা ফ্রেম তৌনবা অকনবা প্রেসর পীবদগী দিপ্রেসনননা মরম ওইরগা সী বি আই ওফিসর অমা মশা মতোমতা শিজখ্রে হায়না দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মমাং থাদা সী বি আইনা মহাক্কী ময়ুমদা র‍্যেদ চথুখি। অদুবু করিগুম্বা মখলগী ইল্লিগেল ওইবা পোৎলম অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রবা মতুং মখা তানা অরানবা এক্সাইজ কেসকা মরী লৈননা মহাক্কী মথক্তা চার্জ শিট ফ্রেম তৌনবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা অকনবা মওংদা লৈখিদ্রবা সী বি আই ওফিসর অসিদা প্রেসর তৌখি। মদুনা মরম ওইরগা খাঙবা ঙম্লক্তবদগী নুমিৎ নীনীগী মমাংদা সী বি আই ওফিসর অদু মশা মতোমতা শিজখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা পাল্লবদি মহাক ফাউ অদুবু মরাল লৈতবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা অৱা চৈথেং পীগনু হায়রি।

# আর্মি ওফিসর শাশিন্নবা নুপা অমনা কন্টেবল নুপী অমা রেপ তৌখ্রে, লুপা লাক্ষ ২৮ লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা তোয়না থোকপা থৌদোকশিংগী মনুং চন্না আর্মি ওফিসর শাশিন্নবা নুপা অমনা কন্সটেবল নুপী অমা রেপ তৌখিবগা লোয়ননা নুপী অসিগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদগী ইন্দিয়ন আর্মিদা থবক হাপ্পিগনি হায়দুনা লুপা লাক্ষ ২৮ সু লৌখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা দেল্লি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, দিপক কুমার কৌবা মশাগী চহী ২৮ রোম শুরবা মীওই অসিনা মহাক মশাবু ইন্দিয়ন আর্মিদা মেজর ওইবনি হায়না সী আই এস এফতা কন্সটেবল ওইনা থবক তৌবী নুপী অমবু মোইথেম তৌদুনা নুংশিনরবা মতুং লুহোংবীগনি হায়দুনা নুপী অদুবু নমদুনা রেপ তৌখিবগা লোয়ননা নুপী অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং বিহার পুলিস অমসুং আর্মিদা থবক হাপ্পিগনি হায়দুনা লুপা লাক্ষ ২৮ সু লৌখিবনি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা দেল্লি পুলিসনা কেস অমা লৌখত্তুনা দিপক কুমার ফানবা হোৎনখি। মহাক পটনাদা লোত্তুনা লৈরে হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং পুলিসকী টিম অমনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা মহাকপু ফানবা হোৎনখি। অদুবু হান্না মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই ৩০ রোম্না পুলিস টিম অদুবু কা অমদা থোঙ লোনশিন্দুনা থল্লবা কুমারবু মফম অদুদগী নাম্থোকহনখি অমদি পুলিস পর্সনেলশিং অদুদা ফাওবা এটেক চথুরকখি। মদুগী মতুং ঝরখন্দদা মহাক লৈরে হায়বগী পাউ অমুক ফংবদগী মফম অদুদা চঙশিন্দুনা ফানবা হোৎনখি। হান্নগুম মীওই খরনা পুলিসশিং অদুবু থিংনবা হোৎনখি অদুবু লোকল পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা মহাক ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

# আর্মি পর্সনেল অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

পটনা, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
পটনাগী মীয়াম্না চীনবা মফম অমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মোটোর বাইক তোংদুনা লাকখিবা মীওই অনীনা সুটিদা লৈবা লান্মী অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী লৈখিদ্রবা বব্লু কুমার অরুনাচল প্রদেশতা পোষ্টিং তাদুনা লৈবনি মহাক মতম খরগী সুটি ফংদুনা ময়ুমদা লাকখিবনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা বব্লু কুমার অমদি অহাক্কী মনাওনুপাগা লোয়ননা পটলিপুত্র রেলৱে ষ্টেসন তম্না বাইক তোংদুনা চৎলিঙৈদা অতোপ্পা বাইক তোংবা মীওই অনীনা হেনগৎলক্লগা লৈফম অমা হংলকখি। মদুগী পাউখুম পীনবগীদমক বব্লু কুমারনা গাড়ী খাল্লিঙৈদা অতোপ্পা মীওই অনীদুগী মনুংদা অমনা মহাক্কী অকোক্তা নোংমৈনা কাপ্লমখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক থৌদোক থোকফমদা খুদক্তা শিখিবনি হায়রি।



HL-P/3658/12/8-12/9



HL-B/7784/ 5/8 (Alt 30 days)